হুইয়েন লানপাউ

Vol. 42, Issue No.139 | থাংজ, ইঙেন থাশু | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Saturday, August 11, 2018, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


পরম চুমদনা আই এম সীগী মেয়র মথন্তনা পার্কিং পীবগী থৌওং য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা কোর্পোরেটরশিংনা ৱাকৎ মীফম ফম্বা
লামায় ৩


ফ্রেমৱার্ক এগ্রী-মেন্টনা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তমদা কায়হল্লকপা য়াবা থবক অমত্তা তৌবা য়ারোই হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা ফমখিবা ৱাকৎ মীফমগী শক্তম
লামায় ১


মণিপুর য়ুনিভর্সি-টিগী ভাইস চান্সেল্লর এ পি পান্দে মফম লৌথোকউ, মহৈরোয়শিংগী পুন্সি কল্লু হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা ফমখিবা ৱাকৎ মীফমগী শক্তম
লামায় ৩


অথৌবা পেবম চিত্তরঞ্জন লৈখিদবগী ১৪রকশুবা নীংশিং থৌরমগী মাংওইননা *অফস্পা ১৯৫৮ রিপিল* হায়না থাবা টি সর্টশিং লোঞ্চ তৌবগী শক্তম
লামায় ১

## থাউগী মমল

**ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট**

**পেট্রোল :** লিটরদা লুপা ৭৫.৩৬
**দীজল :** লিটরদা লুপা ৬৬.৮০

## সিনিয়র পেনেল কাউন্সেল হাপখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ : হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টগী লিটিগেসন (রেলৱেজ অমদি টেক্সেসন কেস-শিং নৎতনা) কন্দক্ট তৌনবা এদভোকেট সামুরাইলাৎপম বিজয়ানন্দ শর্ম্মবু সিনিয়র পেনেল কাউন্সেল ওইনা খনখ্রে। হীরম অসিগী মতাংদা মিনিষ্ট্রি ওফ লো এন্দ জষ্টিসকী দিপার্টমেন্ট ওফ লিগেল এফেয়র্সনা ওর্দর অমা থোকখ্রে। মহাক ওর্দর থোকখিবা নুমিৎতগী চহী ৩ চুপ্পা সিনিয়র পেনেল কাউন্সেল ওইনা লৈগনি হায়রি। মশাগী চহী ৩৫ শুরবা এদভোকেট এস বিজয়ানন্দ শর্ম্ম লৈখিদ্রবা এস মাধুমঙ্গোল শর্ম্মগী মচানুপানি। মহাক ইম্ফাল ৱেষ্টকী সগোলবন্দ তেরা বজারনি। মহাক এসিষ্টেন্ট সোলিসিটর জেনরেল, মণিপুরগী মখাদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা থবক তৌখি। সুপ্রীম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদসু মহাক ষ্টেন্দিং কাউন্সেল, মণিপুরগী মখাদা থবক তৌখি।

## অ ঈং-অশাগী পাউ

| মফম | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
|---|---|---|
| বিষ্ণুপুর | ৩১.৪৪ °C | ২৩.৪২ °C |
| চান্দেল | ৩৬.১৭ °C | ১৯.৬৯ °C |
| সীসীপুর | ৩০.৫৪ °C | ২১.৮১ °C |
| ইম্ফাল | ৩২.৯৮ °C | ২৩.০৩ °C |
| সেনাপতি | ৩১.০২ °C | ১৭.৭৩ °C |
| তমেংলোং | ৩৩.০১ °C | ১৯.৯ °C |
| থৌবাল | ৩২.৬৯ °C | ২২.৩৫ °C |
| উখ্রুল | ২৬.৮ °C | ১৭.৩৮ °C |
| মণিপুর | ৩৬.১৭ °C | ১৭.৩৮ °C |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৩.৮৬ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৪৭
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৫৩
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

## FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 78.962357 |
| US Dollar | 68.861406 |
| British Pound | 87.968411 |
| Australian Dollar | 50.382530 |
| Chinese Yuan Renminbi | 10.049142 |
| Japanese Yen | 0.620569 |
| Malaysian Ringgit | 16.863055 |
| Norwegian Krone | 8.272429 |
| Singapore Dollar | 50.255160 |
| South Korean Won | 0.061083 |
| Swedish Krona | 7.578843 |
| Turkish Lira | 11.558912 |
| Myanmar Kyat | 0.04690 |
| Bangladesh Taka | 0.81219 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | |
|---|---|---|
| Chennai | – | Rs 30224.60 |
| Mumbai | – | Rs 30994.65 |
| Delhi | – | Rs 30855.61 |
| Kolkata | – | Rs 31090.91 |

## HL POLL

**Q : NIT Manipur gi faculty khara lounaba interview West Bengal da oina pangthokkani haibasi yaningbra?**

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

**Q : Visa yaodana Indo-Myanmar borderda 16 km changnaba yabasi nongpok thong hangbani louba yabra?**

Yes 33% No 67%

## অস! লোইরেহে!

উম! এম এল এদা টিয়র গ্যাস... লেম্না খক থারোই...!




# ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট – পুং ১২ শিন্থা লেপ্পুনা মীয়াম্না খোঙজং চঙশিনখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস): ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী ৱারোইশিন পুরকপদা মণিপুরগী শক্তম শোকহনবা য়ারোই হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা লুপশিংনা চঙশিল্লিবা খোঙজংশিং অসিবু শৌগৎপা ওইনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল অমদি অকোইবদা লৈবা দুকান অমনি পোৎফম ফন্বীশিংনা ঙসি নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ ফাওবা শিন্থা লেপ্পুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

খোঙজং অদু মরু ওইনা লুপ নিপান, সী এল কে, কে এস এ, পান্দম, কাংলামৈ, কিল, অমোলুপ, ইপসা অমদি ইপাকনা অমত্তা ওইনা পুন্সিদুনা চঙশিনবনি। খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা কাংলামৈগী প্রেসিদেন্ট লৈরিকলৈমানা ফোঙদোকখিবদা ইমা কৈথেল অহুমগী কৈথেল ফন্বীশিংনা শিন্থা লেপ্পুনা মণিপুর কায়বা য়ারোই হায়বা খোল্লাউ লাউমিন্নসি হায়জবদা হরাওনা য়াবগীদমক থাগৎচরি। ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা মণিপুরদা আর্টিকল ৩৭১ (এ) চৎনহন্নবা শিনবা য়ারোই। মণিপুর লৈঙাক পাইরিবশিংনা খুদক্তা এসেম্বলি মীফম ফমদুনা আর্টিকল অসি চৎনহল্লোই হায়না লাউথোক্ত্রিফাওবা ইরাং অসি লোইনা নাইরোই।

ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা ফুরুপ কয়ানা খুন্দারিবা ষ্টেট অসিদা তোখাই চান্নবা শিল্লকপা তারগনি ইরমদম অসিবু কন্নবগীদমক হনবা লৈতনা খোঙজং কয়া চঙশিনখিগনি। খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা মণিপুর এসেম্বলি অথুবা মতমদা মীফম কৌহল্লু, ইন্দিয়াগী কাঙলুপ নাইবা থৌশিল মীয়াম্না য়ারোই। লৈঙাক্কী ফিরেপ মীয়ামদা লাউথোকউ, মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম কাইবা য়ারোই, আর্টিকল ৩৭১ (এ) মণিপুরদা চৎনবা য়ারোই, লোং লিভ মণিপুর হায়বা খোল্লাউশিং অমত্তা ওইনা লাউখি।

ঙসিগী খোঙজং অদুনা মরম ওইরগা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা নন্তনা মসিগী অকোইবদা লৈবা দুকানশিং হাংনখিদে। পোৎফমসু ফম্নখিদে।

অমরোমদা, ইন্দিয়া গভর্নমেন্ট অমসুং এন এস সী এন (আই-এম)না কুমজা ২০১৫ গী ওগষ্ট ৩ দা খুৎয়েক পীনখিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট য়েৎননিংঙাই ওই অমসুং কাঙলুপ অমত্তগী ৱারোইশিন্না মণিপুরগী অপুনবা শক্তম কায়হনবা য়ারোই হায়না তকশিল্লদুনা কৈথেল ফন্বীশিংনা ৱাংজিং কৈথেলদা ঙসি ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে। য়ুনাইটেদ কন্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম)গী মীৎয়েং মখাদা ৱাংজিং কৈথেল ফন্বী ইমা অপুনবা লুপনা শীন্দুনা ৱাকৎ মীফম অদু পাঙথোকখিবনি। শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা "করিগুম্বা ফিভম অমত্তদা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

# মণিপুর কন্নবা ঈহৌ খূদিংদা কোংগ্রেস শরুক য়াগনি : জয়কিষন

### 'মণিপুর থুগায়গদবা পার্টিদি বি জে পি অমসুং মসিগা চৎমিন্নরিবা পার্টি নৎতনা লৈতে'



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস) : মণিপুর কনবগী ঈহৌ খূদিংদা কোংগ্রেসনা শরুক য়াগনি। ঙমখৈ অমদি শক্তমগীদমক লেপ্পি হায়না মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কন্মিটি (এম পি সী সী)গী ৱাঙাংলোয় খুমুকচম জয়কিষননা ফোঙদোকখ্রে।

কোংগ্রেস ভবন ইম্ফালদা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা এম এল এ জয়কিষননা হায়খি, মণিপুর থুগায়গদবা পার্টিদি বি জে পি অমসুং মসিগা চৎমিন্নরিবা পার্টিনৎতনা লৈতে। কোংগ্রেস পার্টিনা লমদমসিগী ঙমখৈ অমদি শক্তমগীদমক লেপ্পুনা লাক্লি। মণিপুর কায়বা পান্থা পার্টিগা শম্নরোই হায়নসু কোংগ্রেসনা লেপখি। মণিপুরগী ইন্টিগ্রিটি শোকপা য়ারোই হায়না কোংগ্রেস পার্টিনা মফম কয়াদা মীফম পাঙথোক্তুনা লাউদুনা লাকখি। মতম অদুদা বি জে পিগী মীওই কয়ানা কোংগ্রেসনা থৌ থিবনি হায়বা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লুবা য়াওখি। ঙসিদি মণিপুরগী ইন্টিগ্রিটিগী ৱাফম অসি লাকপদগী মীয়াম ঈরাং হৌরক্লি। মণিপুরগী ঙমখৈ অমদি শক্তম কায়হল্লোই, থৌদাং লৌগে হায়না মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর অমদি বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্টনা লাউথোকপীয়ু। ষ্টেট লৈঙাক্তা চিংনবা লৈরে হায়রগদি অদুমক হায়বীয়ু। ষ্টেট অসিদা লৈরিবা এম এল এ ৬০ মক পার্লিয়ামেন্টতা চৎলগা খোল্লাউ লাউসি। ওপোজিসন রুলিং পূল্লগা চপ চানা থেংনবা তাই। মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম অমদি ঙমখৈগীদমক অমত্তা ওইনা পূন্দুনা থেংনবা তাই।

ষ্টেট অসিদা ইস্যু য়াম্না লৈবনা হৌখিবা এসেমব্লি সেসনগী সীটিং অদু নুমিৎ মশীং খরা হেনগৎহনসি হায়না হায়বা মতমদা য়াবীখিদে। হৌজিক অমুক ওগষ্ট ১০ দা এসেমব্লি কৌরগনি হায়রম্লগা ওগষ্ট ১৬ তা য়ৈথোক্লে হায়না অমুক হায়রক্লি। ষ্টেট অসিদা হৌজিক ইন্টিগ্রিটিগী, বোর্দর পিল্লরগী অমদি অতৈ ইস্যু কয়া লৈরি।

বন্দ অমদি ব্লোকেদ তৌরিবা কয়া অসি তঙাইফদনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজংশিংনি। কনানসু বন্দ, ব্লোকেদ তৌনিংবা নত্তে। লৈঙাক্লা পূকচেল শেংবা নুমিৎতা বন্দ, ব্লোকেদ লৈরোই। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ইস্যু অসিসু লৈঙাক্লা পূকচেল শেংবা নুমিৎতা অদুমক লোইগনি। লিভতা লৈ হায়রিবা ভি সী এ পি পান্দেনা নাগালেন্দদা ওফিসল দ্যুটি চৎলম্বগী ৱাফমসু অদুমক লৈরিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা শরুক য়ারদুনা এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা হায়খি, এন এস সী এন (আই-এম)না মণিপুর থুগায়নবা হোৎনবা লেপ্তে। এন দি এ লৈঙাক অমদি এন এস সী এন (আই-এম) অসি শেল অমগী ময়েক অনীগুম্বনি। মখা লামায় ৩ কলম ৬

# কোরকোমনা ওগষ্ট ১৫ দা টোটেল সটদাওন তৌগনি লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ : ইন্দিয়াগী ৭২ শুবা নীংতম নুমিৎ ওগষ্ট ১৫গা মরী লৈনবা সেলিব্রেসনশিং কোওর্দিনেসন কন্মিটি (কোরকোম) অমসুং য়ুনাইটেদ লিবরেসন ফ্রন্ট ওফ অসোম (ইন্দিপে-ন্দেন্ট) (উলফা-আই)না বোইকোট তৌনবা ৱেসিয়া (ৱেষ্টর্ন সাউথ ইষ্ট এসিয়া)গী মীয়ামদা অপিল তৌরকপগা লোয়ননা নুমিৎ অসিগী নোংয়াইমতুং পুং ১দগী নুংথিল পুং ৬.৩০ ফাওবা লমদম অপুম্বসিদা টোটেল সটদাওন কৌখ্রে।

হীরম অসিগা মরী লৈননা কোরকোমগী মিদিয়া কোওর্দিনেটর লৈবাক ঙাকপা লুৱাংনা খুৎয়েক পীবা পব্লিসিটি কন্মিটি, কোরকোমনা থাদোরকপা কোরকোম অমদি উল্ফা (আই)গী অপুনবা চেরোল অমনা হায়, ইন্দিয়ন এম্পাইয়রগী ফিভম ফগৎহন্নবগী পান্দমদা ৱেসিয়াগী মীয়ামদা চুমদবা লান অমা চথদুনা লমদম অসিগী সোভরন্টিদা শীংনরিবসি ঐখোয়না নীং-তম লালগা লোয়ননা থীংলি। ঙসিদি ৱেসিয়া অসি অচৌবা লানবুং অমা ওল্লে। ইন্দিয়ানা লমদম অসিদা য়ামদ্রবদা ওক্যুপেস্নেল ফোর্স মিলিয়ন অমা দিপ্লোই তৌরি। মখোয়শিং অসি তোঙান-তোঙানবা অফোংবা অমসুং অরোনবা ওর্গনাইজেসনশিং ওইনা হায়বদি মিলিটরি পেরা-মিলিটরি, আর্মদ পুলিস, ইন্টলিজেন্স অমসুং ফীফথ কলমনিষ্ট হায়না খাইদোক্তুনা দিপ্লোই তৌরি। নেসনেল সিক্যুরিটি এক্ট, অনলোফুল এক্টিভিটিজ প্রিভেন্সন এক্ট, আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পৱার্স এক্টনচিংবা লোশিংগী মখাদা মখোয়না নৈহৎপিরবা ৱেসিয়াগী মীয়াম্বু পোৎথাবা ফংহন্দ্রি। রেভল্যুসনরি আর্মিগী দিলিংদা মখোয়না জেনেভা কনভেন্সন (১৯৪৯) বু খোঙ্গাওনবদা নৎতনা মীচম মীয়ামদা ওর্গনাইজ টেররিজমগী থৌওংশিং লন-থুম মাঙহন তাকহনবা, লুট তৌবা, রেপ, সোদোমি, কষ্টদিএল মীহাৎ, মী ফারগা থীবা খঙহনদবা, ফোর্স লেবর, মীচমশিং ফাজিনবা, দেমোক্রেটিক ওইবা খোল্লাওবু নমথবা অমদি সিভিল রাইটস দিফেন্দরশিংদা এটেক তৌবনচিংবা কয়া চথরি হায়রি।

মখা তানা চেরোল অসিনা হায়, ৱেসিয়াদা ইন্দিয়ন কলোনিএল রুলনা কলোনিএল সেটলর মিলিয়ন কয়া খুন্দাহন্দুনা য়েলহৌঙৈগী মীওই কাংলুপশিংদুগী রাইটশিং অমসুং কলচরেল আইদেন্টিটিশিং কাঙলোন নাইনা মাঙহনবগী ফত্তবা সোদোমি অমা চথরি। ত্রিপুরা, অসাম অমসুং অতৈ সিটিশিংগী মেট্রোপোলিটান মফমশিং অমসুং (দিমাপুর, ইম্ফাল অসিনচিংবা) অর্বান সেক্টরশিং মমিংদা য়েংবদা য়েলহৌমীশিংগী মহুত্তা কলোনিএল সেট্টলরশিংগী মফমশিং ওইহনখ্রে। মখোয়না শেল-থুমগী লমদা, পোত্থোক পুথোকপগী অমদি য়েন্থোকপনচিংবা থবকশিং কন্ট্রোল তৌশিল্লক্লি। পোলিটিকেলগী লমদসু মখোয়না লেজিসলেটিব ৱারেপ লৌবা, জুদিসল অমদি লো চলাইবগী থবকশিং কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনরি। কলচরগী লমদমসু মখোয়না ইন্দিয়ন কলচরেল ইমপেরিএলিজমনা য়েলহৌমীশিংগী তোপ তোপ্পা কলচরেল আইদেন্টিশিং অমসুং ভেল্যুশিং মাঙহন তাকহনবগী থৌওং চথরি।

অমরোমদা, ইন্দিয়ন কলোনিএল রুলরগী নীজকো, ও এন জি সী অমসুং অতৈ ফ্রন্ট কয়ানা ঐখোয়গী মহৌশাগী পোত্থোকশিং অমসুং ইকোসিষ্টেমগী কান্নবা লৌদুনা ৱেসিয়া লমদমবু পুমাঙ মাঙহনবগী থৌওংসু চথরি হায়রি।

ৱেসিয়া য়ু দি ঐচ আর (য়ুনিভর্সেল দিক্লেরেসন ওফ হ্যুমেন রাইটস), আই সী সী পি আর (ইন্টরনেসনেল কোভনন্ট ওন ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

# সী এমগা য়ুনিভর্সিটি কম্যুনিটিগা ৱারী শানখ্রে, খোঙজং হন্দোকপগী ৱাফম লৈত্রি : দয়ামন

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস) : মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী হৌজিক লৈরিবা ইস্যু অসিগী মতাংদা ঙসি নুংথিল চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক্কী মীহুৎশিংগা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মুসু), মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টাফ এসোসিএসন (মুসা) অমদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটি টিচরস এসোসিএসন (মুটা)গী মীহুৎশিংগা ৱারী শানখ্রে।

চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটেরিএটতা ৱারী শানখিবা অদুদা লৈঙাক্কী মায়কৈন্দগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন, দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম জয়কুমার, ৱার্ক্স মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎ, এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যাম, চীফ সেক্রেটেরি অমসুং হায়র এদ্যুকেসনগী কন্মিস্নার শরুক য়াখি। অদুগা মুসুগী থৌ পুবা মঙা, মুটাগী মীহুৎ মরি অমসুং মুসাগী মীহুৎ অহুম শরুক য়াখি হায়রি।

ৱারী শানবা অদু লোইরবা মতুংদা মুসুগী প্রসিদেন্ট ময়াংলম্বম দয়ামননা হায়খি, চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংবা লৈঙাক্কী মীহুৎশিংগা ৱারী শানরবসু হৌজিকমক্কী ওইনদি য়াম্না কনক্রিট ওইবা দিভলপমেন্ট লাক্লে হায়বা য়াখিরোই। মরম অসিনা ভি সী শিন্দোকউ হায়বা খোঙজং হন্দোকপগী ৱাফম লৈত্রি।

চীফ মিনিষ্টরগা উনবা অদুদা মুসু, মুটা অমসুং মুসাগী মায়কৈদগী ভি সীগী মথক্তা ফেক্ট ফাইন্দিং কন্মিটি অমনা শেল্লগা থিগৎহনগনি হায়রিবা অদুগী মহুত্তা কন্মিসন ওফ ইনক্কারি এক্ট ১৯৫২ গী মখাদা মনিং তম্বা ইনক্কারি কন্মিটি অমা শেমদুনা থিগৎহল্লু হায়না তকশিনখি। মদুদা চীফ মিনিষ্টরনা মুসু, মুটা অমসুং মুসানা হায়রিবা ৱাফম অদু অথুবদা মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট (এম ঐচ আর দি) দা তকশিল্লগে অমদি থবক্তা ওন্থোক্লুবা হোৎনগে হায়বগী থাজবা পীরকখি। করিগুম্বা ষ্টেট লৈঙাক্লা হায়রিবা ৱাফমশিং অসি থবক্তা ওন্থোরকপগা লোয়ননা এম ঐচ আর দিনসু ভি সী প্রোফেসার অদ্য প্রসাদ পান্দেগী মথক্তা মনিং তম্বা ইনক্কারি কন্মিটি অমনা নৌনা শেল্লগা ...মখা লামায় ৩ কলম ১

# অপূনবগী শক্তম শোকহন্দনবা ইমা লূপশিংনা কোংগ্রেস লুচিংবশিংদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস): ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী ৱারোইশিন পুরকপদা মণিপুরগী শক্তম শোকপা য়ারোই হায়বা ৱাফম থম্লদুনা য়ু সী এমগী লীচিং মখাদা তোঙান তোঙানবা ইমা লূপশিংগী লুচিংবীশিংনা কোংগ্রেস লুচিংবশিংগী চপ চাবা ফিরেপ অমা খঙহল্লু হায়না মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে।

তোঙান তোঙানবা ইমা লূপশিংগী লুচিংবীশিং হায়বদি, মোমোন লৈমা, লৈরিক লৈমা, মেম্মা, রমনি, সনাহনবী, ঙানবী অমদি য়ু সী এমগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি বি এম য়াইমনচিংবনা ঙসি নুংথিল কোংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টি (সী এল পি) গী লুচিংবা অমা ওইরিবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবী অমসুং হান্নগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর গাইখাঙম উনদুনা মেমোরেন্দম অদু পীশিনখিবনি। মেমোরেন্দম অদুনা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট অমদি আই-এমগী পিছ টোক অসিগী মতাংদা পোলিটিকেল পার্টি অসিগী চপ চাবা ফিরেপ লাউথোকউ, ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টগী ৱারোইশিন অমদি মওং ফজনা খঙদোকপা ঙম্ননবা এসেমব্লীগী মীফমদা তকশিল্লু, ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী ৱারোইশিন পুরকপা মতমদা মখল অমত্তগী কাঙলুপ নাইবা থৌরাং মণিপুরদা লানশিল্লকপা য়ারোই হায়বা ফিরেপ মীয়াম খঙনা লাউথোকউ হায়নসু তকশিনখি।

# অরোনবা মীহাৎকী লিখুল পুথোকউ হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা মীয়াম্না ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস) : খোংনাংখোঙ মৈরা পায়বী অপূনবা লূপ অমসুং ললাম্বুং মখোঙ তখেল্লম্বম লৈকায় শেমগৎ-শাগৎ অপূনবা লূপনা শীন্দুনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতা অরোনবা মীহাৎকী লিখুল পুথোকউ হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা ঙসি থাংমৈবন্দ খোমদ্রাম সেলুংবা লৈকায়দা লৈবা কম্যুনিটি হোলদা মীয়াম্না ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা ললাম্বুং মখোঙ তখেল্লম্বম লৈকায় শেমগৎ-শাগৎ অপূনবা লূপকী সেক্রেটরি এস সুনিতা অমসুং খোংনাংখোঙ মৈরা পায়বী অপূনবা লূপকী প্রসিদেন্ট এল থাগোইনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরদগী আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পাৱরস এক্ট মরূ ফংনা মুথৎনবা হোৎনগদবনি। এক্ট অসিগী মরুমদা মীওইবা খুন্নাইনা হিংনা-হিংনা অশিবগা পাঙ্খক ওইহল্লে। ঙসি ফাওবদা অৱাবা কয়ামরুম খাঙদুনা লৈরি। মীওইবা খুন্নাইগী হিংবগী রাইট য়াওদ্রবা এক্ট অসিনা খূৎলায় পায়বা লান্মীশিংনা মীওৎ-মীনৈ চথরি। নুপী ওইবী কয়াগী ইকায় খুম্নবা মাঙহনখিবা, ফাখ্রগা থিবা খঙদবা মীওই কয়ানি। ফাখ্রগা থিবা খঙদবা, মাঙহনখিবা অমুবা লো মরূ ফুক্কা লৌথোক্ক-দবনি। ইন্দিয়ন আর্মিনা মীহাৎ থীনা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# অথৌবা চিত্তরঞ্জন লৈখিদবগী কুমওন পাঙথোক্কনি : এম এস এফ

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস) : অথৌবা পেবম চিত্তরঞ্জন মঙাং লৈখিদবগী ১৪রক শুবা কুমওন থৌরম ওগষ্ট ১৬ তা পাঙথোক্লগনি হায়না মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ)গী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট লক্কি কোন্সমনা ফোঙদোকখ্রে।

ক্বাকৈথেলদা লৈবা অমুকোগী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা লক্কি কোন্সমনা হায়খি, অথৌবা অসিনা তাল্লম্বা মণিপুরদগী অফস্পা লৌথোক্কদবনি হায়বা খোঙথাং অসি এম এস এফনা থাংদুনা লাক্লি। হনবা লৈতনসু হোৎনরি। মহাক্কীদমক অমদি তুংগী য়ূম্বীরেলশিংগীদমক এম এস এফনা অথৌবা অসিগী শক্তম য়াওবা অফস্পা ১৯৫৮ রিপিল হায়না থাবা টি সর্ট অমসু লোঞ্চ তৌরে। এম এস এফনা লিশাং শীৎনা পাঙথোরকপা থৌরম অমনি। ওগষ্ট ১৬ তা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৪রক শুবা দেথ এনিভর্সরি ওবজার্ভেসন অসিগা মরী লৈননা অথৌবা অসিনা লৈখিদবা মফম বিষ্ণুপুর কৈথেলদা অথৌবা অসিগী মীতম অমসুং মায়খুম হাংদোকপগা লোয়ননা হৈকৎ-লৈকৎ তমগনি। তুংদা অথৌবা অসিগী পোক্লফম লমদম তখেল লৈকায়দা হৈকৎ-লৈকৎ তমগনি। মফম অসিদগী অয়ূক পুং ১০ দগী মীয়াম্না রেল্লি অমা থাংমৈবন্দদা লৈবা থাউ গ্রাউন্দদা চৎকনি। তুংদা মীয়ামগী ওইবা মীটিং অমসু পাঙথোক্কনি। মসিদা মণিপুর মীয়াম্না শরুক য়াবীয়ু। ওগষ্ট ১৬ তা হরাও-কুম্মৈ তৌবীগনু। বন্দ, ব্লোকেদ, জেনরেল ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# বেজ য়ার ১৯৫১ দগী হোংবা য়ারোই : জে সী

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস) : মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লীগী মীফম্না হন্দক্তা পাস তৌখ্রবা মণিপুর পিপল বিল ২০১৮ গী মখাদা মীতোপ খন্দোকপগী বেজ য়ার ১৯৫১ ওইখিবা অদু ওন্থোকপা য়ারোই হায়না জোইন্ট কন্মিটি ওন ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম (জে সী আই এল পি এস) না ফোঙদোরক্লি।

টিদ্দিম লম্বীদা লৈবা জে সী আই এল পি এসকী ওফিসতা ঙসি নুংথিল পাউমীশিংগা উনবদা কন্মিটি অসিগী কনভিনর য়ুম্নামচা দিলিপকুমারনা হায়খি, চহী অসিগী জুলাই ২৩ দা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লীগী মীফম্না য়েৎনবা লৈতনা পাস তৌখ্রবা দি মণিপুর পিপল বিল ২০১৮গী মখাদা মীতোপ খন্দোকপগী বেজ য়ার অসি ১৯৫১ হায়না লেপখ্রবনি। বিল অসি ওইরক্লুবা চঙশিল্লকপদা মণিপুরদা চহী লিশিং কয়া নুংশি-চান্নবা খুন্দামিন্নরক্লুবা চীংমী-তম্মীগী ওইবা লূপ কয়াগী লুচিংবশিং, মরুওইবা মীহুৎশিং কয়ারক হন্না ফম্মিন্নদুনা খন্নখ্রবনি। কুমজা ২০১৫ দগী ঐখোয় পুন্না অফ-ফত্তা নৈনদুনা লাকপনা চহী অসিগী জুলাই থাদা য়ানবা ৱাফম খরা লাকপদগী লৈঙাক্কসু তান্নরকখিবনি। ষ্টেট লৈঙাক্কসু মীয়ামগী ইহুল খঙনা মখোয়গী চপ চাবা থৌদাং লৌদুনা এসেমব্লী মীফমদা পুথোক্লুবা মতুং মেম্বর অমত্তনা অয়েৎপা য়াওদনা বিল অসি পাস তৌখিবনি হায়বসি পুন্নমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি।

অমরোমদা, জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবনি হায়বা মণিপুরী লোল ফাওবা ঙাঙদবা বেঙ্গোলি অমদি হিন্দী লোল ঙাঙবা মীওই খরনা য়েৎলকপগী পাউ তারে। মখোয়না হায়রিবদি মণিপুর পিপল বিল ২০১৮ গী মখাদা নন-মণিপুরীশিং খন্দোক্লবগী বেজ য়ার ১৯৫১ ওইরিবা অসি ১৯৭১ ওইহনবীয়ু হায়বনি। মতাং অসিদা জে সী আই এল পি এসনা হায়নিংলিবদি হৌখিবা কুমজা ১৯৮০ গী অঙনবা শরুক্তগী লূপ খরনা মণিপুরদা আই এল পি সিষ্টেম চৎনহল্লু হায়বগী খোল্লাউ কয়া লাউদুনা খোঙজং চঙশিল্লকখি। মখা শমথরকপদা মণিপুরগী মরুওইবা লূপ কয়ামুক্কা পল্লগা জোইন্ট কন্মিটি ওন ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম শেমদুনা হেন্না কনবা খোঙজং চঙশিল্লক-খিবনি। চহী ৩০/৪০ রোম চুপ্পা চঙ-শিল্লকপা ...মখা লামায় ৩ কলম ৪



HL-P/5105/17/07-16/08